লনাই শিনশঙ পায়খৎপগী চাং ৱাংবনা ২০৪৭ ফাওবদা দিভলপ নেসন ওইহনবদা মতেং ওইরগনি : পি এম মোদি



ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিদা অনৌবা শিনশঙ (ষ্টার্টঅপ) কয়া থোরক্তুনা তোপ তোপ্পা বিজিনেস মোদেলশিং মায় পাক্লা চল্লাইবা ঙমদুনা ইন্দিয়াবু মালেমগী অহুমশুবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম ওইবা ঙমহল্লকপা অসিনা ২০৪৭ ফাওবদা দিভলপ নেসন ওইনবা পান্দম থল্লিবা অসিদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দেল্লিদা লৈবা ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা 'ষ্টার্টঅপ মহাকুম্ভ' থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

তেল্লবা চহী খরদা ষ্টার্টঅপকী চৎনবী অমা থোরক্লিবা অসিবু থাগৎলদুনা পি এম মোদিনা ষ্টার্টঅপ চাওখৎলক্লিবসি মেত্রো সিটি খক্তদা নত্তে। নহা ওইরিবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়ানা মখোয়গী অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা প্রদক্সন অমসুং সার্ভিস সেক্টরগী ভিজিনেস তৌবা ঙল্লে হায়খি।

কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা দিপার্টমেন্ট ফোর প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টরনেল ত্রেদ (দি পি আই আই টি) না শকখঙলবা ষ্টার্টঅপ ১,১৭,২৫৪ লৈখিবগা লোয়নননা মখোয়না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা থবক মিল্লিয়ন ১.২৪ হেন্না পীবা ঙমখি। মসিগী মনুংদা ষ্টার্টঅপ ১১০ রোমদি য়ুনিকোর্ন ষ্টার্টঅপনি হায়রি। য়ুনিকোর্ন হায়বসি দোল্লর বিল্লিয়ন অমা হেন্না মমল লৈরবা ষ্টার্টঅপশিংদা পীবা মীংথোলনি। মসিনা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি চাওখৎলকপদসু চাউনা মতেং পাংখি হায়রি।

কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা চহী অসিদা পেটেন্ট লাক্ষ অমা হেন্না অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মনুংদা চাদা ৫০ রোমদি অনৌবা বিজিনেসশিংনি। ইন্টলেকচ্যুল প্রোপর্টি রাইটসকী লমদসু ইন্দিয়া অসি অতেনবা মতমদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মথক্তা লৈবা ঙল্লগনি হায়খি।

দি পি আই আই টিনা শকখঙলবা ষ্টার্টঅপশিং অসি লৈঙাক্কী স্কিম কয়াগী মখাদা ইন্সেন্টিভ ফংবা যাই। পনবা যাবা স্কিমশিংগী মনুংদা ফন্দ ওফ ফন্দস ফোর ষ্টার্টঅপস (এফ এফ এস), ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া সিদ ফন্দ স্কিম (এস আই এস এফ এস) অমসুং ক্রেদিট গরেন্টি স্কিম ফোর ষ্টার্টঅপস (সি জি এস এস) য়াওরি।

মসিগী মনুংদগী শেনবা চহী ২০২২ দা লুপা ক্রোর ৯৪৫ গী বজেদকা লোয়নননা অয়াবা পীখ্রবা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া ফন্দ স্কিম অসিগী মখাদা অনৌবা ষ্টার্টঅপশিংনা কন্সেপ, প্রোটোটাইপ দিভলপমেন্ট, প্রদক্ট টেষ্টিং, মার্কেট এন্ট্রি অমসুং কম্মর্সিয়েলাইজেসনগীদমক শেলগী তেঙবাং লৌবা য়াই হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টার্টঅপ মহাকুম্ভ অসি অসোচম, নাস্কোম, বুটষ্ট্রেপ ইনকুবেসন এন্দ এদভাইজরি ফাউন্দেসন, টাই, ইন্দিয়ান ভেঞ্চর এন্দ অল্টরনেট কেপিটেল এসোসিয়েসননা চিংবা এন্টিটি কয়া লৈঙাক্কা খুৎশম্নদুনা শিনখিবনি। থৌরম অসি শিনবদা দি পি আই আই টি, মৈটি ষ্টার্টঅপ হব অমসুং ইনভেষ্ট ইন্দিয়ানসু মতেং পাংখি।

ইন্দিয়াগী ঈশিং রিজার্ভর কয়া কংশিল্লকপনা লাক্লিবা কালেন থাদা ঈশিংগী অৱাবা খম থেংনা মায়োক্লগদৌরি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী মরুওইবা ঈশিং রিজার্ভর কয়া হৌখিবা চহী ৫ গী ওইনা য়েংলকপদা চৎলিবা থা অসিনা খ্বাইদগী ঈশিং কংশিনবা থা ওইখিবগা লোয়নননা কালেন থাদা লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা অমসুং হায়দ্রো পৱার প্লান্টগী মৈ পুথোকপা ঙল্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে হায়না এজেন্সিনা ফংবা পাউনা ফোঙদোরক্লি।

গুগলগী ফার্মনচিংবা কয়া লৈবনা লৈবাক অসিগী শিল্লিকোন ভেল্লিনি হায়না খঙনরিবা বেঙ্গলুরুদদি ঈশিংগী অৱাবা অসি থা অমরোম মায়োক্লদুনা লাকখ্রবনি।

লৈঙাক্লা কুপ্না শেন্নরিবা ঈশিং রিজার্ভর ১৫০ অসিনা থক্লবা ঈশিং, লৌউ শিংগী ওইবা হিরমদা চংবা ঈশিং অমসুং হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার প্লান্টদা চংবা ঈশিং পীদুনা লাকপনি। অদুবু ঈশিং রিজার্ভরশিং অসিগী কেপাসিটি অদুগী চাদা ৪০ তমক ঙাইশিল্লক্লে। ইন্দিয়াগী খা থংবদা লৈরিবা কর্নাটাকা ষ্টেটতদি ঈশিং রিজার্ভর কেপাসিটি অদুগী চাদা ১৬ তমক ঙাইরে হায়রি।

কুমজা ২০১৯ দগী য়েংলকপদা হৌজিক মার্চ থা অসিদা ওইরিবা ফিভম অসি খ্বাইদগী ঈশিং তাঙবগী মতৌনি। চহী ৫ গী মমাংদা চেন্নাইদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা থোকখিবদু মার্চ থাদা রিজার্ভর কেপাসিটি চাদা ৩৫ লৈন-লৈনা থোকখিবনি। মসিগা য়েংনরুরবদি চৎলিবা চহী অসিনা যাম্না হেন্না ফিভম শোক্লে হায়রি।

এপ্রিল অমসুং মে থাদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লাক্কদৌরিবা হিট ৱেব অসিনা অমুক হেন্না অৱাবা মায়োক্লহনগদৌরি। জুন থাদা মোনসুন অমসুং প্রি মোনসুনগী নোং লাক্লবা মতমদতা ইনিদয়াগী রিজার্ভরশিং অসি অমুক ঈশিং লৈগদবনিসু হায়রি।

মহারাষ্ট্রা, অন্ধ্র প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ অমসুং পঞ্জাবনচিংবা লৈবাকশিংদসু চহী ১০ গী মনুংদা কুমসিনা খ্বাইদগী ঈশিং কংবা চহী ওইরে। লৈঙাক্লা মতম চানা উপায় অমা য়েংহৌদ্রবদি লৈবাক অসিদা ঈশিংগী লান থোক্লকপা য়াই হায়না কোলিসন ফোর ৱার্টর সিক্যুরিটিগী কনভিনর সন্দিপ অনিরুধননা ফোঙদোকখি।

এল-নিনো হায়না খঙনবা ৱেদর পেটর্ন অসি হোংখিবদগী হৌখিবা আগষ্ট অদুসু চহী ১০০ গী মনুংদা খ্বাইদগী কংবা থা ওইখি। হৌখিবা চহীগী নোংজু থাদসু ২০১৮ দগী পাবদা নোং খ্বাইদগী লীকপা চহী ওইখি। নোং তাবগী চাংসু মফম কয়াদা অহোংবা থেংনখি হায়রি।

লৈবাক অসিগী ফেদরেল পৱার মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা ঈশিংগী চাং অসি কা হেন্না হন্থরবসু পৱার প্লান্টশিং মথৌ লেপকনি হায়বগী ৱাফম হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈতে। করিগুম্বা ঈশিংগী অৱাবা অসিনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্লবদি পৱার প্লান্টতা মৈ শুংবদগীদি থক্লবা ঈশিং ফংহনবনা হেন্না মরুওই লৌগনি হায়খি।

চহী ৪০০ গী মমাংদা সনা য়াওনা লুপখিবা মার্চেন্ট রোয়ল কৌবা হী অমা থিগদৌরি

লণ্ডন, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
ঙসিদগী চহী ৪০০ গী মমাংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী কোর্নৱাল কোষ্টতগী চখোল্লগা লৈবা সমুদ্রগী শরুক্তা লুপা ক্রোর ৪২০ রোমগী সনাগা লোয়নননা হি কায়বগী থৌদোক অমদা ঈরোলনুংদা লুপখ্রবা মার্চেন্ট রোয়ল কৌবা হী অমগী লেমহৌরিবা শরুকশিং কদাইদা লৈরিবগে খঙদোক্লবা থিরগনি হায়রি।

ইরোলনুংদা লৈরিবা হী অসিগী লেমহৌরিবা শরুক থীদোক্লবা থবক অসি মল্টি বিম সার্ভিসেস হায়না খঙনবা ঈরোলনুংদা মাঙখ্রবা পোৎলম কয়া থীবগী থবক তৌরিবা কম্পনি অসিনা পায়খৎকদবনি।

কুমজা ১৬৪১ দা লুপখিবা মার্চেন্ট রোয়ল অসি 'এল দোরাদো ওফ দি সীজ' হায়নসু খঙনরম্মী। হী অসিদা যাল্লবা সনা-লুপা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা তাঙলবা লন-থুম কয়া য়াওখি হায়না থাজনরি। টন ৭০০ লুম্বা হী অসি কেরেবিয়ানদা লৈবা স্পেনিস কোলোনিশিংদগী য়ুকে তন্না লাকখিবনি। অদুবু লাইবক থীবা থৌদোক অমদা হী অসিদা তোংলকপা ক্রু অমসুং পেসেঞ্জর ৮০ মক শিখি।

বৃটিশকী লাইব্রেরিদা থৌদোক অসিগী রেকোর্দ হেক থমখিবদগী হৌনা মালেমগী মফম কয়াদগী অসুক কুইবা মতম অসি অখঙ-অহে অমসুং মাঙখ্রবা ত্রেজর থীবা মীওই কয়ানা হী অসিবু থীরকখ্রবসু ঙসি ফাওবা লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

জন অধিকার পার্টি কোংগ্রেসতা পুনখিদৌরে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী):
লোক সভা মীখল নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্লা মীখল অসিদা মায় পাক্লবা মাগী মাগী ঙমজবা থাক্তা হোৎনরিবা অসিদা ঙসি জন অধিকার পার্টিগী লুচিংবা পাপু যাদব কোংগ্রেসতা যাওখিবগা লোয়নননা মহাক্কী পার্টি অসি কোংগ্রেসতা পুনশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

যাদবনা মখা তানা কোংগ্রেসকী লিচিং মখাদা মহাক অমদি মহাক্কী পার্টি মেম্বরশিং ইকায়খুম্নবা ফংবদা নত্তনা পার্টি অসিগী মখাদা য়াওদুনা লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা দিক্টেটরশিপ মানবা মোদি লৈঙাক্কী থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা লেপকনি। লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয়গী ৱাফম ফোঙদোকপা ঙম্বসি নরেন্দ্র মোদি নত্তে। মহাক্কী মচিন্দগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী ওইবা ৱাহে অমত্তা তাদ্রি। অদুবু রাহুল গান্ধীদি মীয়ামগী ওইবা ৱা ঙাঙবা অমসুং মীয়ামগী অৱাবা খঙবা মীশক্লি হায়খি।

গম্বিয়ানা ফিমেল জেনিটেল ম্যুটিলেসনগী অথিংবা লৌথোকখ্রে

বাঞ্জুল, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
গম্বিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা ২০১৫ দগী হৌনা ফিমেল জেনিটেল ম্যুটিলেসন (এফ জি এম) দা থল্লকখিবা অথিংবা অদু ভোট লৌনদুনা ঙসি লৌথোকখ্রে।

খোঙথাং অসিনা এফ জি এমগী অথিংবা হন্দোকপা গম্বিয়ানা মালেমগী অহানবা লৈবাক ওইখ্রে। ৱাফম অসিগী মতাংদা ঙসি গম্বিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা ভোট পাঙথোকখিবদা অথিংবা লৌথোকপবু য়ানিংবা মীওই ৪২না খুৎ থাঙ্গৎখি অদুগা মীওই ৪ খক্না য়ানিংদবগী মায়োক্তা লৈখি।

কুমজা ২০১৫ দা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা যাহয়া জামমেহনা এফ জি এম অসি নুপী ওইবীশিং অমসুং অঙাং ওইরিবী নুপীমচাশিংদা চথবা মতমদা যাম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়দুনা করিগুম্বা থৌওং অসি চথরম্বা মীওই অদু চহী ৩ ফাওবা জেলদা থমগদবনি হায়বা বিল পুথোক্তুনা পাস তৌদুনা অথিংবা অসি থল্লকখিবনি।

অদুবু খোঙথাং অসিনা গম্বিয়াগী লাইনিং-লাইশোন অমসুং নাৎকী ওইবা চৎনবীবু অথিংবা থম্বনি হায়রদুনা মীয়াম্না, মরুওইনা নুপাশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। এফ জি এম তৌখ্রবা নুপীমচা অমনদি মহাক্কী মচে অদু এফ জি এম তৌবদা ঈ থোক্তুনা শিখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

[illegible]

[illegible]

[illegible] / DECLARATION

I, Thongam Ibungobi Singh of Maibam Mayai Leikai, P.O & P.S Mayang Imphal, Thoubal District, Manipur do hereby declared that Thongam Ibungobi Singh and Thongam Ingobi Singh are the same and only person vide affidavit bearing No. 01AA654207, date 19/3/2024 sworn before the Oath Commissioner Manipur, Thoubal.

Sd/- **Thongam Ibungobi Singh**
Maibam Mayai Leikai

HL-P/10007/21 March

[illegible]

WALK IN INTERVIEW

MANIPUR POULTRY DEVELOPMENT ASSOCIATION (MPDA)

FOR ANY QUERY PHONE: 8415924545

Designation	No Of Post	Essential Qualification	Remuneration
Office Assistant	2	* Graduate In Any Stream * Basic Computer Knowledge * Should Be Proficient In Ms Office	* Basic 10k (Negotiable) * Travelling Allowance * Incentive

- Preference Will Be Given To Candidates From The Relief Camps.
- Candidates Are Requested To Bring Their Cv's On The Date Of Interview.
- Date & Time Of Interview - 24 March 10 Am (Sharp)

HL-P/10142/20 & 21 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 19/SDC/ICH **Date: 19 March, 2024**

1. Md. Amjad Khan, S/o M.V. Muffijuddin of Irong Chesaba Mayai Leikai

- Vs -

1. Abdul Jalin, S/o (L) Abdul of Irong Chesaba
2. Abatrullah Miya, S/o (L) Abdul of Irong Chesaba

[illegible] / NOTICE

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুন নং: ৫-ইরোং চেছাবা তাহসিলগী অরিবা পাট্টা নং ২৬১ অনৌবা পাট্টা নং ১২০৮ দাখল তৌরিবা দাগ নং ১১২০ গী .৩২১৫ হেক্টর চাওবা তাওথবী ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লৌফম অসি মৃতু পাট্টাদারগী মশুনুপাগী মিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না Sub-Deputy Collector Irong Chesaba গী Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি মনুংদা অইবা পাউ-চেগা Sub-Deputy Collector, Irong Chesaba গী Court অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই Case মখা চথরগনি।

Sd/- Th. Themba Singh
B.C. to SDC/ICH

HL-P/10006/21 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 21/SDC/K **Dt. 06/03/2024**

Okram Amubi Devi, W/o (Late) Okram Amuba Singh of Irengbam Sabal Makha Leikai
... Petitioner

- Vrs -

(Late) Okram Amuba Singh, S/o (Late) Okram Netrabi Singh of Irengband Sabal Leikai
... O.P. P.

[illegible] / NOTICE

Kakching, the 20th March, 2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, ককচিং তহশিল খুল নং: ৬১-ইরেংবন্দ অনৌবা পাট্টা নং ২৮৩ অরিবা পাট্টা নং ৭৩৩, ২৩৬ অং: দাগ নং ২২২২ গী লম হেক্তর .১৪৪০ চাওবা ইংখোল লম অসিগী কো: পাট্টাদার নং ৩ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্তা দংকারীগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি।। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Kakching

HL-P/10147/21 March

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref: 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/228 **Dated, the 11th March. 2024**

[illegible] / NOTICE

Lilong the 20st March, 2024

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Abeda, W/o Late Md. Yaima of Moijing Wangmataba Kojil Leikai, P.O/P.S-Thoubal, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Lilong

HL-P/10150/21 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (N) SEKMAI

Ref :- Mutation Case No. 66/SDC/IW(N) Sek **Dated 05/03/24**

Phuritshabam Adon Devi, W/o (L) Ph. Saugai Singh, Khurkhul Makha Leikai
... Petitioner

- Vs -

Late : Phuritshabam Sougai Singh, S/o (L) Ph. Toyai Singh, Khurkhul Makha Leikai
... Opposition Party

[illegible] / NOTICE

The 05/03/2024

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃতু পাট্টাদার Phuritshabam Sougai Singh পীং মৃ Phuritshabam Toyai Singh সাং Khurkhul Makha Leikai গী মীংদা লৈবা Sekmai তহশিলগী খুল নং 40-Senjam Khunou গী অনৌবা পাট্টা না 234/678 দাগ নং 1421/1528 এরিয়া 1.13 একর ফৌরেল লৌফম অসিগী মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা/সিংনা মাগী/মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মতুংদা ইংখোল/লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়নননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈতরে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (N) Sekmai

HL-P/10143/21 March

[illegible] / অৱাবা ফোঙদোকপা

পোইরৈ লীচৎ খুনাই কাংলুপকী মতম শাংনা মেম্বর ওইবীরম্বা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দা লৈবা অহোংশাংবম মুহিন্দ্রো মৈতৈনা মনুং মতম চাদনা পুন্সি চেংজেন লোইদুনা হৌখিবা চৈচৎ ১৬/০৩/২০২৪ কুমজা লমতাগী ৭ নি পানবা থাংজ কৌরৌদা তাইবং মপুগী শিন্থা লৌইরদুনা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

পোইরৈ লীচৎ খুনাই লুপকী মেম্বর ওইবিরম্বা অহোংশাংবম মুহিন্দ্রোনা লৈখিদবদা লুপকী মেম্বর খুদিংমক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- President
ৱাইখোম ইবোতোম্বী মঙাং
থাংমৈবন্দ হিজম লৈকায়।

HL-P/10154/21 March

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 147/SDC/YPK **Date. 20/03/2024**

Parties :- Moirangmayum Suresh Singh, S/o (L) Kokngang Singh of Ingourok Awang Leikai
- Petitioner

- Vs -

Moirangmayum Kokngang Singh, S/o Angouba Singh of Ingourok
- O.PP:

[illegible] / NOTICE

Date: 20th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না, শিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৭-শিখোং পাটা নং ২৭৩ অরিবা ৩৭৭ অনৌবা দাগ নং ৩০২৬ এরিয়া .২৫৯৭ হেক্তর ইংখোল অসিগী পাট্টাদার শ্রী মোইরাংময়ুম কোকঙাং সিংহ পীং অঙৌবা সিংহ সাং ইঙৌরোক অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Yairipok

HL-P/10155/21 March

[illegible]

NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL

OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2

ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024

FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :

i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024

40 Seats only

CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404

HL-P/9986/16/3-4/4

ADVANCED COACHING INSTITUTE (ACI)

REGISTRATION OPEN
[illegible]

PAPER I, II, III *for* Under Graduate Test

ELIGIBILITY:
CLASS XII
Sc/Arts/com

CUET(UG)
Common University Entrance Test 2024

DOMAIN SUBJECTS : Phy, Chem, Bio, Maths, Pol. Sc, Geo, Hist, Eco

SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS

** FIRST COME FIRST SERVE ! * SPECIAL FEE CONCESSION ! * ONLY FEW REMAINING SEATS !*

NEET / JEE CRASH & FOUNDATION

CONCESSION : 1. ACIANS/Former Students 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii and 90% above 5. 87% and above P.C.B of xii of 23 6. freeship for meritorious students (NEET 22/23)

Faciliteis : ***7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for NEET /JEE van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of***

EVENING:
3PM TO 7PM
4PM TO 7PM

AFTERNOON:
11AM TO 2PM
12PM TO 3PM

Morning :
5AM to 9AM
5.30 TO 8.30AM

SPECIAL facilities:
1. Study materials of each chapter 2. Special Test Series
4. Extra class for weaker STUDENDS 5. SEPARATED BOYS AND GIRLS HOSTEL ,***van service,***

For details visit to office of Nagamapal Lamabam Leikai (11am to 7.30 pm) or Kwakeithel Akham leikai (10 am to 3.30pm)# 878 7586090

HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)